# ককচিং অমসুং ইথাইদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ ঃ মণিপুর লৈঙাক্না কেবিনেট মীফম ফমদুনা য়ু শুঙবা অমসুং য়োনবগী অথিংবা লৌথোকখিবা অদুবু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কোলিয়েসন এগেনষ্ট ড্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লেপ্তুনা চথরকপা খোংজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং দিস্ট্রিক্কী মনুং চনবা ককচিং খুন্নৌ বজারদা ওল মণিপুর ৱুমেন সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), থৌবাল দিস্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ৱুমেন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ওল ককচিং খুন্নৌ ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিএসন অমদি কাদাগা খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্না য়ু শুঙবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাংথোকখ্রে।

অমরোমদা নুপী সমাজ, কাদা, ইথিং মৈরা পায়বী লুপ অমদি পোল ষ্টার ক্লব ইথিংনা শিন্দুনা লৈঙাক্না য়ু শুঙবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা থাঙ্গ পার্ট টুগী ইথিংদসু ঙসি ৱাকৎ মীফম পাংথোকখি।

বিষ্ণুপুর দিস্ট্রিক্কী মনুং চনবা ইথিংদা পাংথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মৈরা পায়বী লুপ ইথিংগী মেম্বর খ্বাইরাকপা ওংবী সোভামনিনা হায়খিবদা মমাশিংনা নিষাগী চৈথেং মতম শাংনা থেংনরগা লাকখি। ইমুং মনুং খুদিং য়ুংগী চৈথেং ফংদবা লৈত্রে। অথিংবা লৈরিঙৈ ফাওবদা য়ুগী চৈথেং অশুক য়াম্না ফংদুনা লৈরকখিবা অদু হৌজিক ফোংনা য়ু য়োনবগী অয়াবা পীরবা মতম অসিদদি অকিবগী মশক ওইরে। য়ুনা মণিপুরগী নুপা হায়বা ফুরুপ অসি লোয়না হাংখ্রগনি। লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি মমা ওইবীশিংগী খল্লগা হন্দোকফম থোকই, শেল ফংনবনি হায়না তৌরিবা থবক অসিনা হেন্না অমাংবা ওইগনি। নিষা হায়বসিদগী মীওইবদা অফবা কান্নবা অমত্তা লৈতে। চাওখৎপা লৈবাকশিংদা নিষা শিজিন্নবগী মওং ঐখোয়গী লৈরিবা থাক অসিনা মতৌ তম্লবদি অফবা ওইরোই। য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা শুকয়া য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোংদোকখি।

## এৱার্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ ঃ মণিপুর মীয়াম মরু ওইনা কনা লৈজদ্রবা অহলশিংদা অনা লায়েং খুদোংচাবা মফম ফংদবশিংদা করি করি অনা লায়েংগী থবকশিং পায়খৎলিবগে হায়বদু খংহন্নবা রিমসকী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইন্তর্ন ডোক্তরশিং অমদি পি জি শিংগা লোয়ন্নরগা হেলথ টোক্ক কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দগী নৈখালোংদা পাংথোকখ্রে। থৌরম অসি কম্যুনিটি মেদিসিন রিমসকী দিন একাদেমিক ওইরিবা ব্রোজেন সিংহ অকোয়জমগী মীৎয়েং মখাদা পাংথোকখিবনি। মদুদা তোঙান তোনঙানবা লায়না লায়োংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামদা খংহনখি।

# ৱিং মেম্বরশিংনা প্রমো লায়েংনবা শেলগী তেংবাং পীখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারী ৩০ ঃ মশাগী কিদনি অনিমক ফেল ওইবদগী কিদনি শিন্নবা মতম ঙায়রগা লৈরিবী থৌবাল কিয়াম সিফাইদগী নুপী এক্তিভিষ্ট লিসম প্রমোগী অনা লায়েংবদা মতেং ওইনবা ৱুমেন ইন গভর্নান্স ৱিং থৌবাল গী থৌমীশিংনা লুপা লিশিং ৮০৯০০ মতেং পাংখ্রে। তেংবাং শেল অসি ঙসি নুংথিল ৱিং মণিপুরগী কনভেনর নোনিবলা নারেংবমনা লুচিংবা থৌমীশিংনা লিসম প্রমোগী য়ুমদা চত্তুনা খুৎশিন্নখিবনি। তেংবাং পীবগী থৌরমদুদা ৱিং থৌবালগী থৌমী ওইনাম থোইবীনা হায়খিবদা কিদনি অনিমক য়াদ্রবা প্রমো লিসম অসি লমদম অসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংদা মখল অমত্তগী হীংশা চত্তরকপা থিংনবগী থৌদাং চাওনা লৌরম্বা নুপী এক্তিভিষ্ট অমনি। হৌখিবা চহী ১৮ রোম মীয়ামগী থৌদাং য়াদুনা লাকখিবনি হায়খি। মহাক হৌজিক দাইলাইসিস তৌরগা কিদনি শিনবা মতম ঙায়দুনা লৈরিবীনি হায়খি। অসিগুম্বা ইচং থৌবী লমদম অসিগী নিঙোল অসি লিগেল এইদ ক্লিনিক কিয়াম লৈতানপোকপীগী লিগেল পেরা ভোলুন্তিয়ার ওইনসু লোগী লমদা লৈতা লায়রা কয়াগী মতেং পাংদুনা লাকখি। মহাক্নুম্বী অমা লমদম অসিদা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লৈবা তঙাইফদে খনবদগী শেলগী তেংবাং অসি পীখিবনি মীয়াম্নসু মহাকপু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।


**GAS NEWS**

**KHORIPHABA GAS,** Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Stk:100
Home delivery Contact No. **6009249086, 8787632782 9366471778**
(6.30 a.m. to 10.00 am.)

**K & K INDANE,**
Tera bazar
Bk: **uptodate**
**20 days gap from last delivery**
Gas booking counter open at Tera Bazar office
(8.00 a.m to 12 noon.)
Uripok, Thangmeiband, Langol (**9362663937**)
Sagolband & Surrounding (**8627912279, 93667227636, 9089519886**)
Langjing & Patsoi (**9366474013**)
Konthoujam A/C, Lamsang A/C ( 9863201839, 6009291975 )
For Inquary & others (8258019383,

**MISAO GAS SERVICE**
(Home Delivery Only)
Bk: **uptodate** (14.2 kg and 19 kg.available )
Contact No. **7085738631, 8119967523**
Call timing (8.00 a.m. to 2.00 p.m.)

**HRANGCHAL GAS,**
Bk:**7/1/23** V/f **5/1/23**
HOME DELIVERY area
Keishampat,
2. Khagempalli, 3 Kwakeithel. 4 Tiddi & Mayai Lambi Road 5. 'Wangkhei 6. Singjamei 7) New Checkon 7. Hatta 8. Samurou 9. Langol & Game Village
Please Contact through Call-SMS-Wtsap No. 9863576002,
(9.-00 a.m. to 12 p.m.)

**KHUMBONG INDANE**
Bk/ Upto:**1/1/22**
**OFFICE NO. 9774068549**
**Home Delivery Contact No. 8974511936**
**whatsapp No 9366981788** (7.30 a.m. to 10.30 a.m.)

**MM GAS SERVICE**
Bk: **uptodate 20 days gap from delivery**
(Home Delivery Only) No phone calls only SMS or Whatsapp (8.00 a.m. to 2 p.m) For Imphal West & Imphal East **8131942156, 7630902992, 7085198900** Only for all Thangmeiband & Lamphel**7628098544, 8787630773, 9088370369** (delivery within 3 days)
For delivery service please contact : 7085738631 or 8119967523

**MANIPUR GAS,**
Sangakpham
(Home Delivery Only)
Bk**: 5/1/23** V/f **19/12/22**
(8.00 a.m. to 2 p.m.)
**8730954041** Complain and enquiry Number.


# এন আই এ না ৱান্তেদ মাওইষ্ট ১ ছটিশঘরদা ফারে

রাইপুর, জনুৱারী ৩০ ঃ নেস্নেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফানবগী লিষ্টা য়াওবা নুপী মাওইষ্ট অমা ছটিশঘরগী বিজাপুর দিস্ট্রিক্কী মনুং চনবা ত্রাইবেল বস্তার রিজন্দগী ফাবা ঙমখ্রে। হায়রিবা নুপী মাওইষ্ট অসি মমাংদা থোকখিবা এমবুসকী থৌদোক অমগা মরি লৈননা এন আই এ না ৱান্তেদ লাওথোকপা মাওইষ্টশিংগী লিষ্টা য়াওবা নুপী কেদরনি।

এন আই এ না ফোংদোকপদা নুপী কেদর অসি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখিবনি। মহাক অসি সিপিআই মাওইষ্টকী খুৎলায় পায়বা কাংবুগী মেম্বর অমনি। মীওই অসি কুমজা ২০২১ গী এপ্রিল ৪ দা বিজাপুরগী তেরেম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তকাল গুদিয়াম ভিল্লেজতা পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্স পর্সোনেলশিংগী অপুনবা টিম অমদা এমবুস তৌবদা য়াওবনি হায়রিবা এমবুস অদুদা পুলিস পার্সোনেল ২২ শিরগা ৩০ না শোকখি। হান্নদি থৌদোক অসিগী কেস তেরেম পুলিসনা রেজিষ্টার তৌদুনা পায়খৎপা হৌখি। তুংদা এন আই এ না নৌনা অমুক ২০২১ গী জুন থাদা কেস রেজিষ্টার তৌরগা থিজিনবা হৌরকখি। থিজিনবা অসিদা এন আই এ না ফংবা ইনপুটকী মতুং ইন্না ফাবা পাল্লিবা নুপী মাওইষ্ট অসি বাসপুর দিস্ট্রিক্কী ভোপাল পতনমদা লোত্তুনা লৈরে হায়বা খংবা ঙমখি। মসিগী মতুং ইন্না রাইপুরদগী এন আই এ গী টিম অমা মফমদুদা চংশিন্দুনা অহেনবা সেক্যুরিটিগা লোয়ননা ওপরেসন চথবদা নুপী মাওইষ্ট অসি মায়পাক্না ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মাওইষ্ট অসিগী মমিং মতকাম উৎকি কমলা কৌই। বিজাপুরগী পামিৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উতম মালা খুলদগীনি। ফারবা নুপী মেম্বর অসি জগদারপুরদা লৈবা এন আই এ গী স্পিসিয়েল কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং মখা তানা থিজিন্নবা পুলিস কস্তদি লৌখৎখ্রে।

# ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না কোবিদকী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লেপত্রি



ন্যু য়োর্ক, জনুৱারী ৩০ ঃ ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাওথোকখিবদা কোবিদ ১৯ গী খুদোংথিবা অসি লোয়দ্রিবা মরম্না মালেম পুম্বগী ওইনা পব্লিক হেলথ ইমর্জেন্সি মখাতানা লৈখিগনি। চেকশিনবগী চাং ৱাংনা লৈবগী তঙাইফদবা লৈরি। অদুবু পেন্দেমিক অসি হৌজিক ত্রান্সিসন পোইন্ট অমদা লাকপা হৌরে। মসি ওইদুনসু কোবিদ লায়চৎ অসিবু থেংননবা চেকশিন থৌরাং মখা তানা লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। অমদি মীৎশিং নাশিংনা শেন্নবসু তঙাই ফদ্রি।

হৌখিবা চহী ১০ গী মতম অসিদা কোবিদ লায়চৎ অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা চাং য়ৌরুরবা মতুং ঙসিদি তপ্না তপ্না হন্থরক্তুনা লাকশিনবা ঙম্বগী ফিভম অদুদি য়ৌরক্লে। অদুবু লায়না অসিগী অতোপ্পা নেগেটিব কন্সিক্যুসসু মায়োক্লবা য়ারি। লায়চৎ অসিনা মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৬.৮ ঙসি ফাওবদা শিহনখ্রে। লায়চৎ অসিনা শিবা মীশিং অসি লৈবাক খুদিংমক্তা শোকহন্দবা য়াওখিদে। মসিনা মীওই কাংলুপ কয়াগী পুন্সিরোলদা চাওনা অকায়বা পীবা শেনমীৎলোন্দা অকায়বা পীদুনা লাকখি। মরক অসিদা খোংজেল য়াংনা কোবিদকী ভেক্সিন পুথোকপা অমদি লায়েং চথরকপদগী পেন্দেমিক অসিগী ফিভম ২০২০ মতুংদগীদি য়াম্না অহোংবা লাকখি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী ডাইরেক্তর জেনরেল থেদো এতনোম গ্রেবেয়াসসনা ফোংদোক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকপগী ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী কোবিদকী হেলথ ইমর্জেন্সি অসি চৎলিবা চহী ২০২৩ অসিগী মনুংদা লোয়শিনবা ঙম্লবা য়াই হায়না থাজে। অদুবু চেকশিন থৌরাং মখা তানা পায়খৎপা অসিনা লায়চৎ অসি মালেম শিনবা থুংনা অমুক হন্না শন্দোরক্কদবদগী থিংহৌবদা হেন্না কানবা ফংগনি। লাক্লিবা চহীশিংদা কোবিদ য়াওদবা পুন্সিরোল অমগী মহাও ফংবগী অশা তৌরি। কোবিদকী লায়চৎনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা পুখৎপগী চাং হন্থহল্লকপা অমদি মী শিবগী চাং খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তা হন্থহনবা ঙম্লকপা অসিনা কোবিদ অসি অরি অনৌ শিন্নবা পরোদ অমদা লৈরে হায়না লৌবসু য়ারে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী এক্সপার্ট কম্মিটি ওন পেন্দেমিক্কী মায়কৈদগী চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবদদি কোবিদ ইমর্জেন্সি অসি লোয়শিনবা ঙম্লবা য়াই হায়না পান্নরি।

অদুম ওইনমক চাইনানা কোবিদ লায়চৎ মায়োক্নবা অকনবা জিরো কোবিদ মেজর ২০২২ লোয়শিল্লকপদা লৌথোকখিবা অমদি লৈবাক অসিদা অমুক নৌনা কোবিদকী লায়চৎ শন্দোর্‌কপা অসিনা মরম ওইরগা মালেম পুম্বগী ওইনা কোবিদ লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না পান্নরিবা অসিদা কায়হল্লক্কদ্রা হায়বগী চীংনবদি হৌজিকসু লৈরি।

# পাকিস্তান্দা মোস্কতা বোম পোকখায়বদা ২৮ শিরে ১৫০ হেনবনা শোক্লে



পেসাৱার, জনুৱারী ৩০ ঃ পাকিস্তানগী পেসাৱারদা লৈবা মোস্ক অমদা স্যুইসাইদ বোম্বর ১ না মশামক বোম পোকখায় হন্দুনা চথবা এটেক্ত অমদা মীওই ২৮ শীরগা মীওই ১৫০ রোম্না শোক্লে।

থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি অকনবা ইরাং লৈবা খায়বর পতুং খৱাগী প্রোভিন্সতা থোকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অসি মীওই কয়ানা লায় খুরুম্বগী থৌরম পাংথোক্লিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি। পুলিসকী মতুং ইন্না স্যুইসাইদ এতেক্কর অদু লাই খুরুম্লিবা ময়াম অদুগী মরক্তা য়াওশিন্দুনা খ্বাইগী মমাং থংবা রোদা লাই খুরুম্বা য়াওখি। মদুনা মরম ওইরগা মশাদা ফিট তৌবা বোম পোকখায়রকপা অদুদা মনাক্তা নক্না লৈরম্বা মীওই ২৮ শীরগা মীওই ১৫০ না অশোক অপন নংখিবনি।

মোস্ক অদুগী শরুক খরাসু বোম পোকখায়বা অদুদা অকায় অতোই থোক্তুনা কিম্থরকখি। মদুনা মরম ওইরগা লাই খুরুম্বা য়াওবা মীওই কয়া অমা ননশিন্দুনা লৈখি। পুলিসকী ওফিসেল সিকন্দর খানগী মতুং ইন্না শোক্লবা মীওইশিং পেসাৱারগী লেদি রিদিং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। অশোকপা মীওইশিংগী মরক্তা ২৩ গী ফিভম লুনা লৈ। মরম অসিনা অশিবা মশিং হেনগৎলকখিবা য়ারি। খুদক্তা সেক্যুরিটিনা ইমর্জেন্সি লাওথোক্তুনা বোম পোকখায়রিবা মফম অদু থিংজিন্দুনা থমখ্রে। এটেক্ত চথরকখিবা কাংবু অদু পাকিস্তানি তালিবান শম্না তেহরিক ই তালিবান পাকিস্তান হায়না খংনবা কাংবু অদুনা তৌরম্বা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মরক অসিদা তেহরিক ই টালিবান পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ঙসিগী স্যুইসাইদ বোম্বিং অদু মখোয়না চথখিবনি হায়না ফোংনরক্লি। লুপ অসিগী কম্মান্দর অমনা ফোংদোরকপদা স্যুইসাইদ এটেক্ত অদুদা শরুক য়াখিবা অদু মহাক্কী মনাওনুপানি। মখোয়না চথবা এটেক্ত অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৬ হাংখি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

লুপ অসিগী মায়কৈদগী পাকিস্তানগী মফম কয়াদা অসিগুম্বা মখল কয়াগী এটেক্তশিং মখা তানা চথখিগনি। মসিনা মরম ওইরগা সেহবাস সেরিক গভর্নমেন্টকা মমাং চহীদা লুপ অসিগা সিজ ফয়ার চৎনরকখিবা অদু লোয়শিল্লে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি তেহরিক ই তালিবানগী মায়কৈদগী পাকিস্তানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং লৈবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক্ত তোয়না চথবগী মথক্তা সেক্যুরিটি ইন্সতোলেসন কয়াদসু এটেক্তশিং চথদুনা লাকখিবনি।

ঙসিগী স্যুইসাইদ এটেক্ত অদুদা লৈখিদ্রবা এটেক্কর অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী কম্মান্দর উমর খালিদ খুরাসানিগী মনাওনুপা মুহম্মদ কৌবা অমনি। চথরিবা এটেক্ত অসি মমাং চহীগী আগষ্ট থাদা অফগানিস্তান মনুংদা কম্মান্দর অসিগী মনাওনুপা অমা পাকিস্তান্না এটেক্ত চথদুনা হাংখিবা অদুগী লমনশিংবা ওইনা চথবনি। ঙসিগী এটেক্তা শোকখিবা মীওই অয়াম্বা পুলিস ওফিসার ঙাক্তনি হায়রি।

অমরোমদা সেক্যুরিটিগী অকনবা ঙাকশেন লৌখৎলিবা মোস্ক অদুদা মতৌ করম্না সুইসাইদ বোম্বর অসিবু চংবা ঙমখিবনো হায়বদু খংবা ঙমদ্রি। এটেক্ত চথরিবা মোস্ক অসি পেসাৱার পুলিস হেড ক্বাটরগী মনুংদা লৈবা লাই খোইরমফম্নি। থৌদোক থোকপা মতমদা পুন্না মীওই ৩০০ হেনবনা লাই খোইরমদুনা লৈখি। মফম অসি হাই সেক্যুরিটি জোন অমা ওইদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা মফম্নি। অশোকপা মীওই অয়াম্বদি বোম পোকখায়বা অদুদা মোস্ক অসিগী য়ুমথক কিম্থরকপদগী নন্দুনা শোকখিবনি হায়রি।

# টর্কিগী ইরদোগান্না ফিন লেন্দনা স্যুইদেন য়াওদনা নেটো য়াওবা পাম্লি



ইস্তাবুল, জনুৱারী ৩০ ঃ টর্কিস প্রসিদেন্ট রেসিব তায়িব ইরদোগান্না ফোংদোকপা ৱাফম অমদা অনকারাগী মায়কৈদগী ফিন লেন্দ নেটোগী মেম্বর ওইবদা য়ানিংদবা লৈতে। অদুবু নোর্দিক লৈবাক অসিনা নেটোগী মেম্বর ওইবা অদু য়ুমলোন্নরিবা স্যুইদেন ঙাইবা তৌদনা মেম্বর ওইগদবনি হায়রি।

ইরদোগানগী ৱাফম অসি অনকারাগী মায়কৈদগী নেটোদা অতোপ্পা মেম্বর য়াওশিল্লকপগী মতাংদা ৱারী শান্নবগী থবক লেপখ্রবা মতুং মহাক্কী লৈবাক্কী টেলিভিজন চেনেল অমদা নহা ওইরিবা ভোট্টরশিংদা পীবা ৱারোলদা ফোংদোকখিবনি।

ইরদোগানগী ফিরেপ অসিনা মরম ওইরগা নেটোগী মায়কৈদগী লৈবাক ৩২ গী ব্লোক অসিদা অনৌবা মেম্বর হাপচিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা খোংথাং তপথগদৌরি। চহী অসিগী জুলাই থাদা লিথুৱানিয়াগী কোনুং ভেলিনেসতা নেটোগী অনৌবা মেম্বরশিং হাপচিনবগী মতাংদা মীফম পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। ফিন লেন্দ অমসুং স্যুইদেন লৈবাক অনি অসি হৌখিবা চহী কয়া অসি য়ু এস না লুচিংবা দিফেন্স এলাইন্স নেটোদা শরুক য়াবা তৌদনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তগী মীচংদা য়াওদনা নাইতোম লৈরকখিবনি। অদুবু রুসিয়ানা য়ুক্রেন্দা লান্দারকখিবা অদুগী মতুং তারকপদা স্যুইদেন অমসুং ফিনলেন্দ লৈবাক অনিসু নেটোদা য়াওনবা থৌরম তৌরকখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা টর্কি অমসুং হঙ্গেরি লৈবাক অনিনা নেটো পার্লিয়ামেন্টকী ওইনা অনৌবা মেম্বর ২ লৌশিনবা অসিদা অয়াবা পীদনা লৈরি। হঙ্গেরিয়ান লেজিসলেচরগী ওইনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থা মনুং অসিদা স্যুইদেন অমসুং ফিন লেন্দ অনিমক নেটো মেম্বর ওইবদা অয়াবা পীরবা য়ারি। অদুবু টর্কিস প্রসিদেন্ট ইরদোগানগী ওইনদি চহী অসিগী মে ১৪ দা পাংথোক্কদৌরিবা মহাক্কী লৈবাক্কী মীখল অসিদা য়াম্না হকচিনবা নেস্নেলিষ্টশিংগী সপোর্ট ফংনবা মহাক্না স্যুইদেনবু নেটো মেম্বর ওইবদা অয়াবা পীরোই হায়না লাওথোকখিবনি।

ইরদোগানগী মায়কৈদগী স্যুইদেন্না নেটো মেম্বর ওইবদা য়ানিংদ্রিবা মরু ওইবা মরম অসি কর্দিস মিলিটিয়ানশিং স্যুইদেন্দা চংজদুনা লৈরিবদু টর্কিদা খুৎশিন্নরক্কবা হায়বদা য়াদে হায়বা অসিনি।

ইরদোগান্না অঙ্কারাদা খুৎশিন্নরকপা পাল্লিবা মীওইশিং অসি কুমজা ২০১৬ দা চথখিবা মায়পাকখিদ্রবা কু অমদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনি। মরক অসিদা ইরদোগান্না স্যুইদেন অমসুং ফিন লেন্দ লৈবাক অনি নেটোগী মেম্বর ওইরকপা মতমদা তোখায় তোখায়বা কন্দিসন থমদুনা ফিন লেন্দগী ওইনদি মেম্বর ওইরকপদা অথিংবা লৈতে। স্যুইদেনদি মেম্বর ওইবদা য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোংদোরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা নেটোগী মেম্বরশিংগী মরক্তা নুঙাইতবসু লৈরি। ইরদোগান্না করিগুম্বা স্যুইদেন্না নেটোগী মেম্বর ওইবা পাম্লগদি অনকারানা পাল্লিবা টেরোরিষ্টশিং অদু খুৎশিন্নরকদবনি হায়বসিনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফিন লেন্দগী স্যুইদেন্দনা কুর্দিস দাইসপোরা মশিং হেন্না লৈ মসিগী মথক্তা স্যুইদেন অমসুং টর্কি লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্নদবা ইশুসু হেন্না লৈ। মরক অসিদা স্যুইদেনগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন শেমদোক্তুনা হেন্না কনবা এন্তি টেরর লো অনকারানা পাম্বা মওংদা শেমদোক্কবা থৌরাং তৌরিবনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অনিনা মিলিটরিগী ওইবা খুৎশু খুৎলাই য়োন্থোক য়োনশিন তৌবদা অথিংবা থম্লম্বদু কোমথোকহনখ্রবনি। অথিংবা অসি ২০১৯ দা টর্কিনা শ্রীয়াদা লান্দাশিনবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদুনা স্যুইদেন্না টর্কিদা খুৎলাই য়োনবা লেপখিবনি।

মখা তানা স্যুইদেন্দা য়াম্না হকচিনবা কাঙবু অমনা স্তোক হোল্মদা লৈবা টর্কিস এমবেসি মমাংদা কোরান কোপি মৈ থাবদা স্যুইদিস পুলিসনা অথিংবা পীখিদবা অদুবুসু টর্কিগী মায়কৈদগী কন্না য়ানিংদ্রি। মসিগী মথক্তা স্যুইদিস প্রোজিক্যুটরনা কর্দিস সপ্পোর্ট গ্রুপ কাংবু অমনা স্তোক হোল্ম সিটি কোর্টতা এদোগানবু ইকায়বা পীবা ফোটো থেৎখিবা অদুদা চৈরাক পীরোই হায়না ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতাংদসু অশাওবা পোক্লি। অনকারা অমসুং স্তোক হোল্ম অনিগী মরক্তা মুক্নদুনা লৈবা অসিনা মরম ওইরগা ফিন লেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা স্যুইদেন য়াওদনা মখোয়না নেটো মেম্বর ওইনবা খোংথাং লৌখৎলগনি হায়না লাওথোরকখিবনি।

লৈবাক অনি অসি পুন্না নেটোগী মেম্বর ওইনবা থৌরাং তৌমীন্নবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ওইরিবা স্তোক হোল্ম অমসুং অনকারা অনিগী মুক্নবা অসিনা মরম ওইরগা ফিনিস গভর্নমেন্টনা স্যুইদিস গভর্নমেন্টকা পুন্না থবক তৌমীন্নবদা খুদোংচারোইদবা কয়া লৈরে হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর তেকা হেভিসতোনা ফোংদোক্লি। মরম অসিনা লৈবাক অসি মতোমতা নেটো মেম্বর ওইনবগী খোংথাং লৌখৎপনি হায়রি।

# চাইনাগী সিনজিন রিজন্দা অকনবা য়ুহার হাখ্রে

বৈজিং, জনুৱারী ৩০ ঃ চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা চাউখৎপা ৱাংলিবা সিনজিন রিজন্দা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসি অয়ুক ময়াই ওইরপ কনবা য়ুহা হাবগী ইনিল মফম অসিদা ফংখ্রে।

য়ুহা হাবগী থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী মতমদা অয়ুক্কী পুং ৭.৪৯ চৎপদা থোকখিবনি হায়রি। চাইনাগী ষ্টেটনা চল্লাইবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মায়কৈদগী অমদি ষ্টেট বোর্ডকাষ্টর সিসি টিভি গী মায়কৈদগী য়ুহা হাবগী থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে অমদি চাওনা লন থুমদা অমাং অতা থোকখিবসু লৈতে হায়না ফোংদোক্লি। লোয়ননা য়ুহা হাখিবা অসিদা অতেক অকায় খরা ননখিবগী ভিদিওশিংসু উৎখি। মীওই কয়া য়ুহা হাবা অসিদা সিনজিংদা লৈবা এয়াপোর্ট অমদি দিপার্চর সেক্সনগী সিল্লিংদা মই চৎলকপদগী শাফগদবা মফমদা মীওইশিং হোন্দোকপা উখি। গ্রাউন্দ ক্রিয়ুগী মায়কৈদগী এয়ারপোর্টকী মনুংদা করি অকায় অতোই য়াওবগে হায়বা অদু থিজিনখি। চাইনা আর্ট ক্বেট নের্টৱার্ক সেন্টরগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অসি মেগনেচুদ ৬.১ গী চাংদা হাখি হায়না ফোংদোকখি।

য়ু এস কী জিওলোজিকেল সর্বেগী মতুং ইন্নদি য়ুহা হাবা অসি মেগনিচ্যুদ ৫.৭ খক্তনি হায়না ফোংদোক্লি। মহৌশাগী লনগৈ মরাং কায়না ফংবা চীং অমদি দেজার্টকী লম্না অয়াম্বা কোনশিনবা সিনজিং রিজন অসিদা য়ুহা হাবগী থৌদোক তোয়না মায়োক্নরি। অদুবু য়ুহা হাগনবা মফম ওইবনা মী খুন্দাদবা অহাংবা মফমশিংদনা অয়াম্বা ওইনা য়ুহা হাবা অসি মায়োক্নরি। চাইনাদা ইকুই কুইদনা খ্বাইদগী কনবা চাংদা য়ুহা হাখিবা অসি কুমজা ২০০৮ তা সাউথ জিনজিংদা মেগনিচ্যুদ ৭.৯ য়ৌনা হাখিবা মীওই লিশিং ৯০ গী মথক্তা শিহনখিবা অসিনা ওইরি হায়রি।